# মনোহর পরিকর গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি



*পনাজি, মার্চ ১৩ঃ*
ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)গী লুচিংবা মনোহর পরিকর হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি। দিফেন্স মিনিষ্টরদগী রিজাইন তৌননবা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসতা চেরোল পীশিনখ্রে।

হয়েং নুমিদাংৱাইরম কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগা লোয়ননা গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়না পরিকরনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর কয়া ৱাশক লৌগদগে হায়না হংবা ৱাহং অমদা পরিকরনা হায়, মিনিষ্টর মশিং অমসুং অতোপ্পা হিরমশিংগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক লেপথোক্লবা খন্নরি। কেবিনেট ওইগদবা মশিংগী মরমদা অরোইবা ৱারেপ লৌরবা মতুং মেদিয়াদা ফোঙদোরক্কনি হায়খি।

গভর্নর ম্রিদুলা সিনহনা পরিকরদা লৈঙাক শেম্মনবা বার্ত্তন তৌখ্রে। মদু মহাকপু এম এল এ ২১দা শৌগৎলি হায়না ঙরাং উৎখিবা মতুং খোঙথাং অদু লৌখৎপনি।

গভর্নরনা পরিকরদা খঙহনখিবদা মশিং য়াম্বা কাংবুনা শৌগৎলি হায়বদু নুমিৎ ১৫ মনুংদা উৎকদবনি হায়খি। পরিকরনা চীফ মিনিষ্টর ওইবগী ৱাফম অদু বি জে পি পালিয়ামেন্টরি বোর্দনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা অয়াবা পীখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা দিফেন্স মিনিষ্টরদগী ফম থাদোকখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবদা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

বি জে পিনা গোৱা ফোরৱার্দ পার্টিগা পুনশিন্নদুনা কংগ্রেসপু মায়থিবা পীরে। অদুম ওইনমক কংগ্রেস পার্টিদি পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা বি জে পিদগী মশিং হেন্না ফংখিবনি।

গোৱা ফোৱার্দ পার্টি, মহারাষ্ট্রৱাদি গোমন্টক পার্টি (এম এল এ ৩, ইন্দিপেন্দেন্ট রোহন খোন্তে অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট গোবিন্দ গৌতে)না বি জে পিদা শৌগৎলি হায়রি।

সিট ৪০ লৈবা গোৱা এসেমব্লীদা বি জে পিগী এম এল এ ১৩ কারককখি, অদুগা কংগ্রেসকীনা ১৭ কারককখি। পরিকরনা গোৱাদা অমুক হঞ্জিল্লকপা হায়বদুনা তাক্লিবদি কেবিনেট কম্মিটি ওন সিক্যুরিটিদা অহাংবা অমা লৈরে হায়বনি।

বি জে পিগী পাউ মতুং ইন্না মহাক পুশিল্লক্লিবা অদু এদিস্নেল চার্জ পুহন্নবা নত্তে। সেনিয়র মিনিষ্টরশিংদা খুদোংচাবা অদুমক পীগনি। কম্মন মিনিম প্রোগ্রাম অমগী মখাদা লৈঙাক অদু শেম্বনি। লোয়ননা ষ্টেট অদু মখা তানা চাওখৎহন্নবগী পান্দমদনি হায়না বি জে পিগী লুচিংবা নিতিন গদকারিনা ফোঙদোরক্লি।

খন্ন-নৈনবদা মহারাষ্ট্রৱাদি গোমন্তক পার্টি (এম জি পি) অমসুং গোৱা ফোৱার্দ পার্টি (জি এফ বি)না বি জে পিবু শৌগৎন্নবগীদমক কনিদসন খরা থমখি।

পরিকরবু চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লবদি বি জে পিদা শৌগৎকনি হায়বা ৱাফমসু য়াওখি হায়রি। মীখলগী মতমদা ভোট খোম্বদা গোৱা বি জে পি ইন-চার্জ নিতিন গদকারিনা পরিকর গোৱাগী সি এম ওইনা হল্লক্লগনি। মহাক্না লক্ষ্মিকান্ত পর্সেখরগী মহুৎ শীল্লগনি হায়খিবনি।

# গোৱা, মণিপুরদা বি জে পিনা হুরান লানাদা থবক চৎখরি ঃ চিদম্বরম



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৩ঃ*
গোৱা অমসুং মণিপুরদা ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)না লৈঙাক শেম্মনবা ক্লেম তৌরি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অদুদা পাঙথোকপা মীখলদা বি জে পিনা কংগ্রেসকী মথংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। মদু নমথাক তৌবা থৌশিল অমনি হায়না কংগ্রেসকী সেনিয়র লিদর পি চিদম্বরমনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী ওইবা ৱাফমদা হায়, গোৱা অমসুং মণিপুরদা বি জে পিনা মীখলদা নমথাক তৌরে। অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা পার্টি অমনা লৈঙাক শেম্মনবা ক্লেম তৌবগী হক লৈতে হায়না ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অদু বি জে পিনা ঙসি গোৱা অমসুং মণিপুরদা লৈঙাক শেম্নগনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রবা মতুং ফোঙদোরকখি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা কংগ্রেস পার্টিনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্মা সিট ফংবা পার্টি ওইরিবনি।

গোৱাগী গভর্নর ম্রিদুলা সিনহনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা মনোহর পরিকর ৱাশক লৌরগনি। পরিকর দিফেন্স মিনিষ্টরগী ফমদগী ঙসি থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রে।

ওইরিবা ফিভমশিং অসি য়েংলগা হায়বা য়ারিবদি বি জে পিনা দিমোক্রেসি হাৎলে। মনোহর পরিকর গোৱা মীখলদা থেংনখিবা মীওই নত্তে। গোৱাদা মহাক মশক ইখঙ খঙদবা মীওই অমনি। ইফোং ফোংনা দিমোক্রেসিদা নমথাক তৌরে হায়খি।

শীরক্লিবা মরাল অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বি জে পিগী লুচিংবা জি ভি এল নরসিমহ রাওনা হায়, ষ্টেট অদুদা পাঙথোকখিবা মীখলদা কংগ্রেস পার্টিদগী চাদ ৪ হেন্না মীয়াম্না ভোট পীরকখি। লৈঙাক শেম্নবগীদমক মেজোরিটি পার্টি অদুদা ফংলে। শৌগৎপা কয়া লৈরি। অদুম ওইনমক কংগ্রেসতদি মদু লৈতে। সিট ৪০ লৈবা গোৱা এসেমব্লীদা কংগ্রেসনা সিট ১৭ ফংখি। অদুম ওইনমক মেজিক নম্বর ২১দি য়ৌবা ঙমখিদে।

বি জে পিনা সিট ১৩দা মায় পাকখি। লমদম অদুগী রিজনেল পার্টিশিংনা বি জে পিদা শৌগৎলকপনা ফিভম অদু ওইহল্লকপনি। মনোহর পরিকরনা লৈঙাক অদুগী লুচিংবা ওইরগনি।

মণিপুরদসু বি জে পিনা এম এল এ ৩১না মখোয়গী মায়কৈদা লৈ হায়না ক্লেম তৌরি। সিট ৬০ লৈবা মণিপুর এসেমব্লীগী মীখলদা বি জে পিনা ২১ ফংখি। অদুগা কংগ্রেস পার্টিনা সিট ২৭ ফংখিবনি। ষ্টেট অদুগী গভর্নরদা মশিং য়াম্বা এম এল এশিং বি জে পিগী মায়কৈদা লৈ হায়রি।

নাকল অমরোমদা মণিপুরগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর গাইখামনা হায়, লুচিংবা ওক্রম ইবোবি সিংহনা সিঙ্গল লার্জেস পার্টি ওইবা মরমনা মঙোন্দা লৈঙাক শেম্নবা বার্ত্তন তৌফম থোকই হায়না ক্লেম তৌরি হায়খি।

# হাইটিদা মীয়াম মরক্তা বস থৌজিল্লকপদা ৩৮ শীরে



*গোনাইভস, মার্চ ১৩ঃ*
হাইটিগী অৱাংবা থংবা শরুক্তা লম্বীদা পাঙথোকপা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অমদা য়াংনা থৌদুনা লাকপা বস অমনা থোমজিল্লকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৮ শীরে। অদুগা ১৩না অশোক অপন নংখ্রে।

খুদোংথিবা থৌদোক অদু ষ্টেট অদুগী কোনুং পোর্ট ও প্রিন্সতগী অৱাং নোংচুপ লোমদা কিলোমিটর ১৫০ রোম চৎলগা লৈবা গোনাইভসতা গ্রিন হ্যুইস মিন টাইমগী পুং ০৯০০ চৎপদা থোকখিনি।

ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অদুদা মীওই লাক্ষ ৩ লোম তিনখি। ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্ অদুদা লম্বী অদুদা লাকপা বস অমনা মীয়াম মরক্তা থৌজিল্লক্লুনা মীওই কয়া চপখাইদুনা শীহনখি হায়না জিনরেনাল ইদৱাদনা ফোঙদোরক্লি।

খুদোংথিবা নংলবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী তুংলোমদগী থেংজিল্লকখি। মদুদা মহাক লৈমায়দা তুশিনখি। মদুগী মতুংদা করি থোকখিবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

মহাক্কী গার্লফ্রেন্দসু হোস্পিটালদা মহাক্না হিপ্লিবা ফমুং অদুগী নাকলদা লৈরম্বা থেংনখি। অহানবদা বস অদুনা খোঙনা চৎপা মীওই অনী থোমজিনখি। মদুদা অমা শীখি, অমনা শোকখি হায়না মেরি অলটাজিন বাবটিসকী লুচিংবা অমনা ফোঙদোরক্লি।

ব্লু স্কাই বস অদুগী দ্রাইভর অদুনা গারী অদু য়াংনা থৌরকপগা লোয়ননা ষ্ট্রিট ম্যুজিকসিয়ান কাংলুপ অহুমদা থোমজিনখি। মদুগী মতুংদা মহাক গারী অদু য়াংনা থৌদুনা নাম্থোকখিনবা হোৎনখি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না শোক্লবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা থেংনরে। মীওই ১৭ পুন্না শোকখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে। থৌদোক অদুদা লৈখিদবশিংগী মনুংদা ৪দি হোস্পিটালদা শীখিবনি হায়না গোনাইফ নেসনেল পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা নাতৈ চাদবা থৌদোক অদুগী মতুংদা খোইশাওনরবা মীয়াম খোঙজংচংশিল্লকপা লাকশিন্নবা হোৎনখি। থৌদোক অদু দ্রাইভর অদুনা অতম্নবা মীয়াম শোকহন্নবা এটেক্ট চৎখরকপা ওইগনি।

অচুম্বা ৱায়েল চৎখগদবনি হায়নসু মীয়াম অদুনা দিমান্দ তৌরকখি। খুদোংথিবা নংহৌদ্রবা মফম অদুদা লৈখিবা মীয়াম্না বস অদুদা তোংখিবা মীওইশিং অদুগা লোয়ননা গারী অদু মৈ থানবা হোৎনখি হায়রি।

সিবিক প্রোটেক্সন কোওর্দিনেটরনা ফোঙদোরকখিবদা ব্লু স্কাই বস অদু প্রাইভেট কম্পেনি অমনা চল্লাইবা শাংনা চেনবা গারীনি। হাইটিদা চৎনবী অমনা ওইনা বস তোংদুনা শাংনা চৎনরি। বস অদুগী দ্রাইভর ফারে। অহানবদি মহাক মফম অদুদগী নাম্থোক্লুনা চেন্নবা হোৎনখিবনি হায়রি।

# সোমালিয়াদা কার বোম পোকখায়বদা ১৩ শীরে



*মোগাদিসু, মার্চ ১৩ঃ*
সোমালিয়াগী কোনুং মোগাদিসুগী মী চিনবা লম্বী অমদা লৈবা হোটেল মনাক্তা কার বোম অমা পোকখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শীরে হায়না পুলিস অমসুং ইম্মর্জেন্সি মেদিকেল সার্ভিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মাকা অল মুকারাম ষ্ট্রিটতা লৈবা হোটেল অমগী মনাক্তা বোম অদু পোকখায়রকখি। অদুম ওইনমক সুসাইদ বোম্বর অদুনা টার্গেট তৌরকখিবা মফম অদুদি মাংহন তাকহনবা ঙমখিদে।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা মীওই ১৩ শীখ্রে। অদুগা ১৪না অশোক অপন নংখ্রে। অশোক অপন নংখিবশিংগী মনুংদা ফিভম লুবা য়াওবনা অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না এমিন এম্বুলেন্স সার্ভিসকী দাইরেক্টর অবদি কাদির অবদি রহমননা ফোঙদোরক্লি।

সোমালি ইস্লামিষ্ট ইন্সর্জেন্ট অল সবাবনা এটেক্ট অদু মখোয়না চৎখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি। মাকা অল মুকারাম ষ্ট্রিটতা পোকখায়হনখিবা অদু মখোয়ননি। মদুদা মীওই ১৭ হাৎখি।

লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মিলিটরিগী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমসুং সিক্যুরিটি পার্সোনেল কয়া য়াওখি হায়না অল সবাব মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই সৈখ অবদিয়াসিসি আবু মুসফনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী হেক মমাংদা পুলিসনা খাম্বা য়াদবা গারী অমদা নোংমৈ কাপখি। মদুগী তুংদা মিনি বস অদু পোকখায়রকখি হায়রি।

চেক পোইন্টতা লৈখিবা পুলিস পার্সোনেল অমনা য়াংনা থৌদুনা লাকপা মিনি বস অদুদা নোংমৈ কাপশিনখি। নোংমৈ কাপশিনবা অদুদা অল সবাব ফাইটর অদুনা থৌরকখিবা গারী অদু পোকখায়রকখি হায়রি।

হৌখিবা চহীদা অল কাইদাগা শম্নবা অল সবাব, য়ু এসনা শৌগৎপা সোমালি লৈঙাক অমসুং আফ্রিকান য়ুনিয়ন পিছ কিপ্পরগী মখুৎতা চাওনা মায়থিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

# ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা গোৱা লুচিংবা ওইনা চৎখ্রবা পরিকরগী মহুৎতা দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরগনি



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৩ঃ*
মনোহর পরিকরনা গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা চৎখ্রবা মতুং ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা দিফেন্স মিনিষ্টরগী অহেনবা থৌ পুরগনি। রাষ্ট্রপতি ভাবনগী পাউ মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা মনোহর পরিকরগী মফ থাদোকপগী চেরোল অয়াবা পীখ্রে।

মদুগী মতুংদা প্রসিদেন্টনা প্রাইম মিনিষ্টরদা হাংলিবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী থৌ পুননবা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা থৌ পুহন্নবা থবক পায়খৎন্নবা খঙনহখ্রে হায়রি।

অরুন জেটলি মোদি লৈঙাক্কী মখাদা মিনিষ্ট্রি অনী পায়বা লুচিংবা ওইরগনি। মহাক হান্নদা দিফেন্স মিনিষ্টরগী ফম পায়রমখিবা মীওইনি।

ইং ২০১৪গী নভেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মনোহর পরিকরবু মহাক্কী থৌশিলশিং হেন্না খুৎমাং চাওশিনহন্নবগী পান্দমদা পুশিল্লকখিবনি। মদুগী মতুংদা অরুন জেটলি ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী ফম পুরকখি।

গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লক্ষ্মিকান্ত পর্সেখরগী মহুৎ মনোহর পরিকরনা শীল্লগনি।

সিট ৪০ লৈবা গোৱা এসেমব্লীদা বি জে পিনা সিট ১৩ ফংলবসু লৈঙাক শেম্নবগী খুদোংচাবা লৈরে। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর পর্সেখর মহাক্কী সিটতা মায় পাক্লকখি। পনবা য়াবদি মহাক সিট ২দা মীখল থেংনখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকরগী গোৱাগী সুপর চীফ মিনিষ্টর ওইনা পুশিল্লকখিবা অদু ষ্টেট অদুগী রাজনিতিদা অওনবা অমা ওইরি। ষ্টেট অদুগী লোকেল পার্টিশিংনা মনোহর পরিকরনা চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লবদি পার্টি অদুদা শৌগৎকনি হায়বা কনিদসন থম্লকখিবগী মতুংদা মনোহর পরিকরনা চীফ মিনিষ্টর ওইননবা ফিরেপ অদু বি জে পিনা লৌরকখিবনি।

মনোহর পরিকরনা মহাক ষ্টেট অদুদা অমুক হনবগী ৱাখল লৈত্রবসু হল্লকখ্রে। মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা মীখলগী ফল অদুদা মহাকপু ষ্টেট অদুদা অমুক হল্লক্লবগী ফিভম ওইহল্লকখিবনি হায়রি।

# পাকিস্তাননা লাইন ওফ কন্ত্রোলদা লৈবা পুঞ্চ ত্রেদ সেন্টরদা এটেক্ট চৎখরকখ্রে

*জম্মু,, মার্চ ১৩ঃ*
জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চাকন্দা বাঘতা লৈবা ত্রেদ সেন্টরদা পাকিস্তাননা সেল কাপশিন্দুনা এটেক্ট চৎখরকখ্রে। হায়রিবা ত্রেদ সেন্টর অদু পাকিস্তানগা তাইনবা লাইন ওফ কন্ত্রোলদগী কিলোমিটর ১ রোমতমক লাপ্পা লৈবা মফমনি।

হায়রিবা মফম অদু লাইন ওফ কন্ত্রোলগী ওইনা লল্লোল ইতিক্কী লমদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবনি। পাকিস্তাননা সেল কাপশিল্লকখিবা অদুদা অশোক অপন নংবগী পাউ লৈতে।

পুঞ্চকী ঘাটি সেক্টর অদুদা পাকিস্তাননা ৮২ এম এম মোটার অমসুং অপীকপা খুৎলায় অমদি সেল কয়া কাপশিন্দুনা এটেক্ট চৎখরকখি। ইন্দিয়ান আর্মিনসু চপ চাবা মওংদা খুৎ হনখি হায়রি।

ত্রেদ সেন্টর অদু জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা থাজনবা অমা লাকহন্নবগী পান্দমদা চহী ১০গী মমাঙদা শঙ্গাখি। চয়োল অমগী মনুংদা মরিরক লাইন ওফ কন্ত্রোল লান্না মফম অদুদা লল্লোল ইতিক্কী থবক চৌখে।

থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুদগী মীওই কয়া চেন্থোক্লরকখ্রে। হৌখিবা চহী ১০দা লাইন ওফ কন্ত্রোল লমদম অদুদা লল্লোল ইতিক্কী থবক চৎদুনা লাকখি। ত্রেদ সেন্টর অদুদা লুপা ক্রোর কয়াগী লল্লোল ইতিক তৌরিবনি। অদুম ওইমনক ঙসিদি নোংমৈ কাপশিন্নবগী থৌদোক থোক্লি। মদুনা লল্লোল ইতিক্কী লমদা চাওনা অকায়বা পীরগনি হায়না এল ও সি ত্রেদর মুহম্মদ য়াসিনমনা ফোঙদোরক্লি।

ত্রেদ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট জবর কোহল্লিনা হায়, খঙহৌদনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা শেল অমসুং নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা খুঞ্জাশিংদা অকি অখঙ পোকহল্লে। সেল কয়া য়ুম মনাক নক্লা তাশিল্লকখি।

ওইরিবা ফিভম অদুদা অকিবা ফাওই। হৌখিবা মতম কয়াদা পাকিস্তাননা সিজ ফাইয়র থুগাইদুনা পুঞ্চ সেক্টরগী লাইন ওফ কন্ত্রোল শরুক্তা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা লৈখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতসু পুঞ্চকী গুলপুরদা পাকিস্তাননা সেল কাপশিল্লপদগী লান্মী ১ শীখবসু লৈখ্রে। লাইন ওফ কন্ত্রোল লমদমদা পাকিস্তাননা সিজ ফাইয়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা খুঞ্জা কয়া অশি অনা নংখিবসু লৈখ্রে।

হন্দক ত্রেদ সেন্টরদা পাকিস্তান লান্মীনা সেল অমসুং মোটার কয়া কাপশিল্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা খুঞ্জা কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্লুনা লাঞ্জেনখ্রে হায়রি।

# মোটোর সাইকল অনী থেংজিন্নবদা মীওই ৩ শীরে

*রাজগর, মার্চ ১৩ঃ*
মৈধ্য প্রদেশকী রাজগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চাপিহেদা টাউন মনাক্তা মোটোর সাইকল অনী থেংজিন্নবদা চহী ৫গী নুপী মচা অমা য়াওনা মীওই ৩ শীরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি- বজরং মালভিয়া (৩০), জগদিস মালভিয়া (২৫), অমসুং সন্ধিয়া (৫)নি হায়রি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদু চাপিহেদা-চিরাপুর লম্বীদা থোকখিবনি। বজরং অমসুং অতোপ্পা মীওই অনী বোরবন্দ খুঙ্গং তম্না চৎপনি। মখোয় চাপিদেহদা হোলি কুঙ্কৈ শরুক য়ারুরবা মতুং রজস্থানগা তাইনবা খুঙ্গং অদুদা চৎপনি হায়না চাপিহেদা পুলিস ষ্টেসনগী ইন চার্জ জে এস থাকুরনা ফোঙদোরিক্ল।

বজরঙ্গ লাকমিন্নখিবা শোক্লবা মীওইশিং অদু পুলিসনা রাজগরদা লৈবা লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। জগদিসনা থৌবা গারি অদুদা সন্ধিয়া অমসুং অতোপ্পা মীওই অমা তোংলকখি। লৈখিদ্রবা বজরঙ্গ অমসুং সিন্ধিয়া জিরাপুরদা লৈবা মীওইশিংনি হায়রি।

# য়ুম মৈ চাকপদা নুপী মচা ৪ শীরে

*অহামেদবাদ, মার্চ ১৩ঃ*
সুরট দিষ্ট্রিক্টকী মুলদ খুঙ্গংদা লৈবা য়ুম অমা মৈ চাকপদা নুপী মচা ৪ শীরে। অহানবা ওইনা থিগৎপদা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না য়ুম অদুদা শীজিন্নবা গ্যাস সিলিন্দর লিগ ওইবদগী মৈ অদু হৌরকখিবনি।

খুদোংথিবা থৌদোক থোকপা মতম অদুদা মখোয়গী অপোকপা রামেস পতেল য়ুম অদুদা লৈখিদে হায়না মহুবা পুলিস ষ্টেসনগী সব ইন্সপেক্টর পি ভি পতেলিয়ানা ফোঙদোরক্লি। পতেলিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ুম অদু তিননা কুপ্পা অমসুং মনা মশিং য়োনবা মফম অমনি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি দর্সননা (১০), মন্সি (৯), তেজাশ্রি (৮) অমসুং রাজশ্রি (৮)নি হায়রি।

পতেল য়ুম অদুদা মহাক্কী মচানুপী ৪গা মতম খরগী মমাঙদগী লৈরকখিবনি। চহী খরগী মমাঙদা পতেলগী লোইনবী লৈখিদ্রে। নুমিৎ খুদিংগী তৌবা থৌওং অমা ওইনা পতেলনা য়ুম অদু মপানদগী থোং লোনশিল্লন্নবা মতুং সুরত সহরদা মনা মশিং য়োনবা চৎলি। নুপীমচাশিং অদুনা তুম্লিঙৈদা মৈ অদু হৌরকখি। মখোয় য়ুম অদুদগী নাম্থোকপা মৈনা চাক্লুনা শীখিবনি হায়রি।

# নেপালদা শাখিরবা ঐচ ৫ এন ৮ ভাইরসনা থোকহনবা বার্দ ফ্লু শন্দোরক্লে

*কাথমন্দু, মার্চ ১৩ঃ*
নেপালগী কোসি লমদমদা লৈবা য়েন লোইবা ফার্মশিংদা শাখিরবা ঐচ ৫ এন ৮না থোকহনবা বার্দ ফ্লু শন্দোরকপগী রিপোর্ট লৈরে হায়না ৱার্ল্ড ওর্গনাইজেসন ফোর এনিমেল হেল্থ (ও আই ই)না ঙসি ফোঙদোরক্লি।

নেপাল ওথোরিটিনসু কোসি লমদমদা লায়না মখল অদু শন্দোরক্লে হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে হায়রি।

লমদম অদুদা লোইবা য়েন ৬২০০গী মনুংদা ৩৬৫০ দি ঐচ ৫ এন ৮ ভাইরসনা শীহনখ্রে। অদুগা লেমহৌরিবা য়েনশিং অদুনা কর্ল্লিং তৌখ্রে হায়না পেরিসতাবেজ তৌবা ও আই ইনা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ থাদা কা হেন্না লৌনগনবা ঐচ ৫ এন ১ ভাইরসনা থোকহনবা বার্দ ফ্লু য়েন অমসুং ঙানু লোইবা ফার্মশিংদা শন্দোরকপগী রিপোর্ট লৈখি। হৌজিক কোসি লমদমদা য়াল্লবা য়েন কয়া কা হেন্না অশি অনা থোকহনবা ঐচ ৫ এন ৮ ভাইরস শন্দোরক্লুনা য়েন কয়া শীহনখ্রে। চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা য়েন কয়াসু কর্ল্লিং তৌখ্রে হায়রি।



ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা হোলি কুঞ্ছ পাঙথোকখিবা

**GAS TODAY**

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto .......29/12/2016
Sl. No. Upto 47116
Valid from ........... 20/11/2016
Stk ...................................306

*সনা-সুদোকু- ৮০৪ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 6 | 3 | 9 | 5 | 8 | 4 | 1 |
| 1 | 3 | 4 | 8 | 2 | 6 | 5 | 9 | 7 |
| 9 | 8 | 5 | 4 | 1 | 7 | 3 | 2 | 6 |
| 3 | 9 | 2 | 5 | 4 | 1 | 6 | 7 | 8 |
| 5 | 4 | 8 | 6 | 7 | 2 | 9 | 1 | 3 |
| 6 | 1 | 7 | 9 | 3 | 8 | 4 | 5 | 2 |
| 4 | 5 | 1 | 7 | 8 | 3 | 2 | 6 | 9 |
| 8 | 2 | 9 | 1 | 6 | 4 | 7 | 3 | 5 |
| 7 | 6 | 3 | 2 | 5 | 9 | 1 | 8 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-805**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | | 6 | 2 | | | | |
| 9 | 1 | | | | | | | |
| 2 | | | | 5 | | 7 | | |
| | | 6 | | | | | 8 | 1 |
| | | | | 3 | | | 9 | 2 |
| | | 8 | 4 | 1 | 2 | | | 7 |
| | | | | 9 | 1 | | | |
| | | | | | | | | |
| | 5 | 3 | | 4 | | 8 | | 9 |